**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি- মনিপুরগী ইমাশিং খাঙবা কনবা, মথৌনা লৈবা অমদি অচুম্বগীদমক থৌনা লেপ্তুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

২) জি.ও.সি ফিফতি সভেন মাউন্টে দিভিজনগী মেজর জেনেরেল সুভানকর বাসুনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে।

৩) গুদ ফ্রাইডেনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৪) মালেম পুম্বদা থাউগী মমল হেনগৎলবসু ভারতকী ওইনা এক্সাইজ দ্যুতি হন্থহন্দুনা মীয়ামদা থাউ লেপ্তুনা ফংহনবগীদমক রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা কেন্দ্র সরকারবু থাগৎখ্রে।

অমসুং

৫) সংসদকী বজেট মীফম ঙসি লোয়শিল্লগনি।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি-মনিপুরগী ইমাশিং খাঙবা কনবা, মথৌনা লৈবা অমদি অচুম্বগীদমক থৌনা লেপ্পা ঙম্বগী মতিক ময়াই চেল্লি । মখোয়না অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

গোজেন্দ্রো ফাউন্দেসননা শিনদুনা পাঙথোকপা নিংথৌখোং সি.ঐচ.সিদা নৌনা শাবা খ্বাইরাকপম কৃষ্ণগোপাল মেমোরিএল বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়- অসিগুম্বা বিল্ডিং অমা থন্বা অসিনা মীয়ামদা চাউনা কানহ্নগনি। মরুওইনা রাজ্য অসিগী নুপী অমদি ইমাশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ। নুপীশিংগী অপুনবা খোল্লাউ অমদি মখোয়গী থৌনা লিংজেল উবদা লমদম অসিগী মীয়ামনা চাউথোকচনিংঙাই মশক ওই।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়- বিষ্ণুপুর জিলাদা মেদিকেল কলেজ অমা শানবগীদমক  লম লৌশিনবগী থবক চখবা হৌরে।

মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রিগী মংলান অমা ওইরিবা লৈবাক অসিগী জিলা খুদিংমক্তা মেদিকেল কলেজ অমমম শানবগী ৱাখল্লোন অদুগী মনুং চন্না বিষ্ণুপুর জিলাদসু মেদিকেল কলেজ থমবা থৌরাং তৌরকপনি। কলেজ অসি শানবগীদমক তঙাইফদনা চংগদবা লম লৌশিনবগী থবক চথরি। প্রধান মন্ত্রিগী মংলান অসি মায় পাক্লবদি লৈবাক অসিগী হকশেলগী লমদা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-ঙসি শঙ্গারিবা বিল্ডিং অসিনা জিলা অসিগী মীয়াম খক্তদা কান্নবা পীবতা নত্তনা রাজ্য অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা খুদোংচাবা পীরগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

থৌরমদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রগী এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

সিএম (এল)ঃ জি.ও.সি ফিফতি সভেন মাউন্টে দিভিজনগী মেজর জেনেরেল সুভানকর বাসুনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেতরিয়েটতা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা চহি অসিগী দুরান্দ কপ ফুটবোল ইম্ফালনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকবা শেম শাবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। উন্নবা অদুদা তুরনামেন্ট অসি অয়েৎ অপন য়াওদনা মায় পাকা পাঙথোকবগীদমক অমনা অমগী মতেং পাংনবা টিমশিং লৈনবগী শেম শাবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি।

এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল কম্পিতিসন অসিদা ইন্দিয়ান সুপর লিগ, আই.লিগ অমসুং আর্মদ ফোর্সেসকী টিম কয়ামরুম শরুক য়াগনি। তুরনামেন্ট অসিদা মশিং য়াম্লবা ভাবোক কয়া য়েংবা য়ানবগীদমক রাজ্য সরকারনা তুরনামেন্ট অসি নিংথিজনা শেম শাবদা মতেং পাংগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

মেসেজ (এল)ঃ খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগা শেংলবা নুমিৎ গুদ ফ্রাইডেনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- মীওইববু পাপতগী কন্নবগীদমক কৎথোকখিবা যিশু খষ্টপু পাং তিংদুনা হাৎখিবা অদুবু নিংশিংদুনা গুড ফ্রাইডেগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসিনা শান্তি লৈবা, নুংশি চান্নবা লমদম অমা পুরকপা ওইহ্রসনু।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- নুমিৎ অসিনা ঐখোয় খুদিংমক্তা নুংশিবা, কৎথোকপা, ঙাকপীবগী পাউজেল পীরি। নুমিৎ অসিনা ঐখোয় খুদিংমক্তা অচুম্বা লম্বীদা চৎনবা অমদি চাওখৎপা, শান্তি লৈবা লমদম অমা পুরকবগী ঈথিল পীবা ওইহ্রসনু।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনসু মহাক্কী পাউজেলদা হায়-শেংলবা গুড ফ্রাইডেগী নুমিৎ অসিনা প্রভু যিশুনা কৎথোকখিবা, নুংশিবা, অমনা অমবু ঙাকপীবগী পাউজেল অদু নিংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিনা ঐখোয় খুদিংমক্তা তংদু লৈতাবা, শান্তি, অমত্তা ওইবগী লীপুন শাগৎপা ওরসনু।

অথিংবা (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী য়েংলগা জিলা অসিদা বি.এন.এস.এস ২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা থা অনি অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অসিগী মীওই ৫ দগী হেন্না পুনবা, রেল্লি চৎপা, হিংশা থোকহনবা য়াবা খুৎশু খুৎলায় পুদুনা চৎপা য়ারোই হায়না জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সনাজাউবা (এল)ঃ নোংচুপ এসিয়াগী ৱাথোকা মরম ওইদুনা মালেম পুম্বদা থাউগী মমল হেনগৎলবসু ভারতকী ওইনা মমল হেনগৎপগী মহুৎতা এক্সাইজ দ্যুতি হন্থহন্দুনা মীয়ামদা থাউ লেপ্তুনা ফংহনবগী থৌওংবু রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা শিংথাখ্রে। ঙসি ফমখিবা রাজ্য সভা মীফমদা জিরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌদুনা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা কেন্দ্র সরকারবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- মালেম পুম্বদা থাউগী মমল হেনগৎনরবসু ভারতকী ওইনা অচেৎপা ৱারেপ লৌদুনা পেত্রোলগী ওইনা দ্যুতি টেক্স লিতর ১ দা লুপা ১৩ লৌরম্বা অদু ৩ দা হন্থখিবা, দিজলগী ওইনা লিতর ১ দা লুপা ১০ লৌরম্বা অদু অমত্তা লৌখিদবা অসিনা মীয়ামদা থাউ লেপ্তুনা ফংহনবদা চাউনা মতেং পাংলি।

অমরোমদা, নোংচুপ এসিয়াদা ইরানগী ফিভম শোকচিল্লকপা অদুনা মরম ওইরগা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল বেরেল অমদা দোল্লর ৭০ পীরম্বা অদু ১২২ দা হেনগৎলকপদগী মালেম পুম্বদা থাউগী মমল হেনগৎলক্লি। মসিগী মনুংদা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা চাদা ৩০ দগী ৫০ ফাওবা মমল হেনগৎলি। অৱাং থংবা আমেরিকাগী ওইনা চাদা ৩০, য়ুরোপকী ওইনা চাদা ২০ অমদি আফ্রিকা লৈবাক্কী ওইনা চাদা ৫০ হেনগৎলে।

এৱারনেস (এল)ঃ ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই.দি.পি)শিংবু চীফ মিনিষ্টকী হকশেলগী তেংবাং (সি.এম.ঐচ.টি) অমসুং আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনাগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ককচিং জিলাগী এস.দি.ও ৱাইখোংগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এন.দি.ও ৱাইখোং- অরবিন্দ হংলেম, সি.ঐচ.সি ককচিংগী এম.ও ইনচার্জ ডাঃ নিংথৌজম ব্রোজেন্দ্রো য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

জিরিবাম (এল)ঃ সাইবর ক্রাইমগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা জিলা অসিগী জিরি কলেজগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

ওতিজম (এল)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড ওতিজম ডে ঙসি ইন্সটিট্যুট অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াত্রিগী কম্মন হোলদা পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগী কুমশি চহিগী থিমদি-ওতিজম অমসুং মীওইবা-থৱায় পানবা খুদিংমক্কী মমল লৈ হায়বসিনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিল কুমার শর্ম্মা অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার এম. শঞ্জিভনা অঙাংশিং অমদি মমা মপাশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি অমসুং ওতিজমনা নারবা অঙাংশিং হোস্পিতাল অসিনা চেকশিন্না লায়েংগনি হায়না থাজবা পীখি। অচা অথক, শান্নপোৎ অমদি ষ্টেসনরি আইটেকশিংসু অঙাংশিংদা য়েন্থোকখি।

উত্রা (এল)ঃ উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা চহি খুদিংগী শজিবুগী থানিল নুমিৎতা পাঙথোকপা কংলা লৈখুল হুৎপগী লাইনিং লাইশোলগী থৌরম ঙসি কংলাদা লৈবা ইবুধৌ পাখংবগী মেন শুরুংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মাইচৌ অথৌবা, ৱাংখৈলাকপা, অমাইবা, পেনা অশৈবা, অমাইবী য়াওনা কংলাগী মেন শুরুংদা থৌরম অদু পাঙথোকখি। লৈবাক মরা তপা নুংঙাই য়াইফনা পাননবগীদমক থৌরম অসি চহি খুদিংগী পাঙথোকপনি।

হনুমান (এল)ঃ হনুমান জয়েন্তিগী থৌরম ঙসি লৈবাক্কী মফম কয়াদা পাঙথোক রি। হনুমানগী পাঙ্গল থৌনা, পুকচেল শেংবা অমসুং নোল্লুকপা মতৌবু নীংশিংদ্না পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লাইশঙশিংদা চৎতুনা লাই খুরুম্বা অমসুং অথুম অহাও চামিন্নবনা পালন থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তমশিং ওইখি।

তমেংলোং (এল)ঃ ভিলেজ ওথোরিতি চেয়ারমেন কাউন্সিল, তৌসেম অমসুং তৌসেম হেদক্বাটর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগা নেসনেল হাইৱে-১৩৭ কী তমেংলোং-মাহুর লম্বী অথুবা মতমদা শেমজিন শাজিন্নবা চেরোল অমা পীদুনা তকশিনখ্রে। এন.ঐচ.আই.সি.এলনা লম্বী অসি

শেন্নবগী থবক পায়খৎতুনা লাকখিবা অদু মমাং চহিগী মে থাদা লেপখি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে হায়না চেরোল অদুদা ফোংদোক্লি।

ৱাটর (এল)ঃ পোরোমপাৎ ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্টকী ইন্টেক পোইন্ট য়াদবনা মরম ওইদুনা ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অসিনা ঈশিং পীরম্বা মফমশিং নিউ চেক্কোন, নোংমৈবুং, থৱানথাবা লৈরক, শোইবম লৈকাই, অয়াং পল্লি, কোংপাল, খুরাই শাজোর লৈকাই, তেলিপতি, ৱাংখৈ খুনৌনচিংবদা মতম খরা ঈশিং পীখিরোই হায়না ৱাটর সপ্লাই মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর-টুগী একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ারনা চেরোল অমদা হায়রি।

ৱেদর (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি-রাজ্য অসিগী জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং তারবা য়াই। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, কাংপোকপী, তমেংলোং, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, ককচিং, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলদা নোং চুরবা হায়রি।

সংসদ ঃ সংসদকী বজেট মীফম ঙসি লোয়শিল্লগনি। বজেট মীফমগী অহানবা শরুক চহি অসিগী জানুৱারী ২৮ দগী ফেব্রুৱারী ১৩ ফাওবা পাঙথোকখি। অনিশুবা তাঙ্ককনা মমাং থাগী ৮ দগী হৌরকখিবনি।

রাজ্য সভানা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা সংসদনা অন্ধ্র প্রদেশ রিওর্গনাইজেসন (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬ পাস তৌখ্রে। লোক সভানা অন্ধ্র প্রদেশ রিওর্গনাইজেসন এক্ট ২০১৪ শেমদোকবা বিল হান্ননা পাস তৌখ্রে। মসিনা অম্রাবতিবু অন্ধ্র প্রদেশকী অমত্তা ঙাইরবা কোনুং ওইনবনি। বিল অসি পাস তৌখিবগা লোয়ননা অম্রাবতিনা অন্ধ্র প্রদেশকী লেংদ্রবা কোনুং ওইরগনি। বিল অসি ভোই ভোৎতা পাস তৌখ্রবা মতুং উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা অন্ধ্র প্রদেশকী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোংদোকখি।

সভাদা মহাক্কী ৱারোল পীরদুনা গৃহ রাজ্য মন্ত্রি নিত্যানন্দ রাইনা হায়- অন্ধ্র প্রদেশ রিওর্গনাইজেসন এক্ট ২০১৪ গী মখাদা অন্ধ্র প্রদেশপু অনি থোকা খাইদোকখ্রবা মতুং অনৌবা কোনুং শেন্থ্বগী তঙাইফদবা লাকখি।

অমরোমদা, লোক সভানা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেস (জেনেরেল এদমিনিষ্ট্রেসন) বিল ২০২৬ পাস তৌনবগীদমক খন্নবা হৌখ্রে। রাজ্য সভানদি বিল অসি হান্ননা পাস তৌখ্রবনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্লোন অসি নাগরিক দেবো ভাবা হায়বদি প্রজাশিংবু লাইমকি খন্না সেবা তৌজবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা লৈঙাকপনি।

ৱাফম অসি কর্ম্ম য়োগি সধানা সপ্তাহ ২০২৬ হৌদোকপগা মরী লৈননা শ্রী মোদিনা পীবা ভিদিও মেসেজদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মিসন কর্ম্ম য়োগিগী মখাদা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক তৌনবা মায় ওনশিল্লি। মপুং ফানা চাওখৎপা ভারত অমা ওইনবগীদমক তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপা অমদি টেকোলোজিগী লমদা খুমাং চাওশিনবতা নত্তনা স্কিল লৈবা অমদি মীয়ামগীদমক চপ চানা থবক তৌনিংবগী অপাম্বা লৈবা মীওই কয়া মথৌ তাই।

শ্রী মোদিনা মখা তানা হায়- মীয়ামগী পুন্সি মরেল ফগৎহন্নবগীদমক শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা সরকার অসিনা অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা হোৎনরি।

পৱার ঃ কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রি মনোহরলালনা হায়রি- প্রি পেদ ইলেক্ট্রিক্ট স্মার্ট মিতর অসিনা কান্নবা কয়া পীরি। অদুবু মীপুম খুদিংমকা অসিগুম্বা মিতর অসি শিজিন্নদবা য়াদে হায়বা লৈতে।

ৱাফম অসি ঙসি চথুখিবা লোক সভা মীফমগী ৱাহং পাউহংগী মতমদা হংলকপা ৱাহং অমগা মরী লৈননা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মৈ লৌরিবশিংনা প্রি পেদ স্মার্ট মিতর পানবা অসিনা মখোয়দা কান্নহনবা খক নত্তনা

রাজ্যশিং অমদি মৈগা মরী লৈনবা কম্পনিশিংদা খুদোংচাবা ফংহল্লি। তোঙান তোঙানবা রাজ্য কয়াদসু স্মার্ট প্রি পেদ মিতরশিং শিজিন্নবা হৌরে। অদুমকপু মসি মীপুম খুদিংমকা শিজিন্নদবা য়াদে হায়বা সরকারগী ৱাফম লৈতে। মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক ফাওবদা মৈ পীরিবা কম্পনিশিং লুপা কোতি লাখ ৭ কী ময়াদা পুখরি। প্রি পেদ স্মার্ট মিতর হাপ্পা অসিনা মতম চানা মৈগী বিল খোমগৎপা ঙমহল্লি। মসিনা মৈ পীরিবা কম্পনিশিং শেল পুখবদগী খরদা ওইরবসু ফগৎহনবদা মতেং পাংলি।

শেনবা ঃ শেনবা চহি ২০২৫-২৬ অসি ভারতকী ঙাকশেলগী পোখোকশিং মপান লৈবাক্তা খ্বাইদগী য়ামা থাদোকপা ঙম্বা চহি ওইরে। চহি অসিদা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ৩৮,৪২৪ গী ঙাকশেলগী পোখোকশিং মপান লমদা থাদোকপা ঙমখি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী মতুংইন্না মমাংগী শেনবা চহিদা লুপা কোতি লিশিং ২৩ হেনবগী শেনফম ওইগদবা পোখোকশিং মপান লমদা থাদোকপা ঙমখি। অদুবু শেনফম অদুদগী চাদা ৬২ হেন্না শেনবা চহি ২০২৫-২৬ তা মপান লৈবাক্তা থাদোকপা ঙমখি। অসিগুম্বা অচৌবা অহোংবা অসিদা দিফেন্স পাব্লিক সেক্তর অন্দর টেকিংনা চাদা ৫৪.৮৪ গী চাংদা ঙাকশেলগী পোখোকশিং পুথোকখি অমদি প্রাইভেট সেক্তরনা চাদা ৪৫.১৬ কী চাংদা পুথোকপা ঙমখি। মসিনা তাকপদি ভারতনা পুথোকপা ঙাকশেলগী পোখোকশিং মালেমগী লৈবাকশিংনা পাম্বগী চাং হেনগৎলক্লি হায়বদু তাক্লে। হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ভারত অসি দিফেন্সকী পোখোক পুথোকপদা মালেমদা খ্বাইদগী মরুওইবা লৈবাক অমা ওইনবগী লম্বীদা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লক্লি হায়না ফোংদোকখিবা লৈখ্রে ।

নাসা ঃ থাগী অকোইবদা নুমিৎ ১০ নি চুপা পাইগদবা নাসাগী আরতেমিস টু ওসি অয়ুক অঙনবা পুং অহুম মিনিট ৫৪ দা আমেরিকাগী ফ্লোরিদাদা লৈবা কেনেদি স্পেস সেন্টরদগী থাগৎখ্রে।

ক্রু মেম্বর মরি তোংলিবা আরতেমিস টুনা থাগী অকোইবদা নুমিৎ ১০ নি চুপা পাইরবা মতুংদা পৃথিবীদা অমুক হল্লক্কনি। করিগুম্বা মীসন অসি মায় পাক্লবদি। ইং ১৯৭২ গী এপোলো সভেন্টিন থাগী মীসন অদুগী মতুংদা অহানবা ওইনা থাদা মী থাবা ঙম্বা মীসন ওইরগনি। মীসন অসিগী মরুওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা- তুংদা লাক্কদবা তোঙান তোঙানবা থা চৎপগী মীসনশিংদা থাগী লৈমাইদা তেক্ত-কায়দনা তাহন্নবা কুপা থিজিনবগী থবক য়াওরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ মনিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা ২৪ শুবা চেল্লেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা ই.এম.এফ.সি লম্লাইনা এম.এল.ভি.এফ.এ ময়াইলম্বীবু পাঞ্জল ৪-১ দা অমসুং এ.এফ.এফ.সি ইম্ফালনা এফ.এল.এ.কে ক্যামগৈবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

কাং ঃ মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- য়াইস্কুল কাংখুৎনা থাংমৈবন্দ কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৩-১১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ চহি ১৫ মখাগী নুপীশিংগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান ডে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.পি.এ থৌনাউজমনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ পেচু লম্পাকপু রন ৩৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেচট অমদা থাউ থাংমৈবন্দনা এস.টি.ৱাই.সি.সি শগোলবন্দ তেরা কৈথেলব্ রন ৩৬৩ দা থোইখি।

ব্সু ঃ চাইনাদা চথখিবা ১০ শুবা ৱার্ল্ড জ্নিয়র ব্সু চেম্পিয়নসিপতা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবা ককচিং জিলাগী ৱাইখোং বজারদগী ভিক্তর লোইতোংবমবু ঙসি মীয়ামা হরাউ তয়ামা ওকখ্রে। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্সু এসোসিয়েসন অমসুং জোইন্ট নোন-গভর্নমেন্ট ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা মহাকপু ককচিং কৈথেলদা হরাউ তয়ামা ওকখি।

ব্সু ঃ মরিসুবা নেসনেল মার্সিয়েল আর্টস গেমস ২০২৬ তা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী ব্সু টিমগী শান্নরোইশিং খন্ননবগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ৬ তা খুমন লম্পাক ব্সু হোলদা পাঙথোক্লগনি। শান্নরোইশিংনা দরকার লৈবা চে চাং পুরক্তুনা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৭ তা রিপোর্ট তৌরনবা মণিপুর য়ুনাইতেদ ব্সু এসোসিয়েসন্না খঙহল্লক্লি।

ফুটবোল ঃ সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিশুবা সমরাম ট্রোফি-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- সঙ্গাইয়ুম্ফম এফ.সিনা মৈরা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা সমরাম এফ.সিনা গেলেক্সি এলেভেন ফুন্দ্রেবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

------